# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা থাঙ্গা করাংদা এ এম ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা প্রি কনসেপ্সন এন্দ প্রি নেটেল লায়েংবগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম




নূপী-অঙাংশিংগী শেৎন-ইন্নবা ফিরোল য়াওনা মখল কয়াগী পোৎলমশিং য়োনবা '৬৯' হায়না মিংথোনবা শো রুম ১ থাঙ্গাল কৈথেলগী মনি টৱারদা হাংবা



য়ুম্নাম নন্দিনীনা ইবা ঈপাক্তুগী তোৱ্বান্দুদা হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা ফোঙবা



ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও-রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপ-মেন্টনচিংবনা শীন্দুনা তাকয়েল পাৎতা লৈবা আই বি এস দিগী কমপ্লেক্সতা অহানবা চেরি ৱোজুম থাবা




Vol. 39, Issue No. 360 | শগোলশেন, লমতাগী ৯নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, March 17, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.২৮°c | ১৬.০৭°c |
| চান্দেল | ৩৩.৭০°c | ১৫.০০°c |
| সীসীপুর | ২৭.৩১°c | ১৫.১৩°c |
| ইম্ফাল | ২৫.৪২°c | ১৭.০৬°c |
| সেনাপতি | ২৬.৭৫°c | ১১.৪২°c |
| তমেংলোং | ২৮.০৯°c | ১৫.০১°c |
| থৌবাল | ২৭.৭৩°c | ১৮.৩৬°c |
| উখ্রুল | ২০.০৮°c | ১৩.৮৯°c |
| মণিপুর | ৩৩.৭০°c | ১১.৪২°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# ওক্রম ইবোবী অমসুং গাইখাঙমনা ঙসি অয়ুক সোনিয়া গান্ধী উনরগনি

## মিনিষ্টর রিসফল তৌরক্কনি হায়না কোংগ্রেস এম এল এশিংনা থাজরি




ইম্ফাল, মার্চ ১৬(ঐচ এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী উনবা ফংখিদ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, পার্লিয়ামেন্ট মীফম থেংথখিবনা মরম ওইরগা হান্না উননবা থানখিবা মতম অদু শোয়রকপনি। হয়েং অয়ুক চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা সোনিয়া গান্ধী উননবগী এপোইন্টমেন্ট ফংলে হায়রি।

হয়েং অয়ুক পুং ৯ গী মতুংদা সোনিয়া গান্ধীগা উনবা অমসুং মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ৱা খন্নবদা মতম খরা লৌগদবনা হয়েং ইম্ফালদা হল্লক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম হংচিৎ ওইনা হল্লক্কগনি।

সোনিয়া গান্ধী অমসুং কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগা উনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর অমসুং গাইখাঙমনা এ আই সী সীগী নোর্থ ইষ্টকী চার্জ পুরিবা জেনরেল সেক্রেটরিগা উনদুনা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা তৌরকখিবা চার্জশিং অদুগী মতাংদা শেংদোক-শেংজিন তৌনখি হায়রি।

মরক অসিদা, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মিনিষ্টর রিসফল তৌনবগী দিমান্দ অসি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না কোংগ্রেস এম এল এশিংনা থাজরি। কোংগ্রেস এম এল এ ২৫ না তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মনুংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়রিবা গাইখাঙম মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকহনবা অমসুং ফম অদু সেনিয়র কোংগ্রেস লীদর টি এন হাওকিপতা পায়হনবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মনুংদা শুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎ, হৈঙাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ নোংথোম্বম বিরেন অমদি মমাঙগী টার্মদা মিনিষ্টর ওইখ্রবশিং হন্দক্কী রিসফল তৌরকপদা মিনিষ্টর ওইরোই হায়না সোনিয়া গান্ধীদা ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। মখোয়না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মিনিষ্টর ফংননবগী নত্তে। মথংগী টার্মদা কোংগ্রেস মায় পাক্কনবা খোঙজংনি হায়নসু ফোঙদোক্লম্মী।

## এম পি টি সীদা ট্রেনরশিংনা অমুক ঈরাং হৌরকখ্রে

# টিচিং ষ্টাফ ফূরুবগী লাল্লে হায়জখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৬(ঐচ এন এস)ঃ মথৌ তৌরিবা মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজগী ষ্টাফশিং এস আই অমসুং এ এস আই কেদেটশিংনা ঙরাং ফূখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ট্রেনরশিংনা ঈরাং হৌরকপদগী ঙসি কোলেজ অসি চরাংনবা ফীভম অমদা অমুক লৈরুরে।

ট্রেনরশিংনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা গেট লোনশিন্দুনা ঙরাংগী ষ্টাফশিং ফূ-চৈবগী থৌদোক অদু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপশিং লৌদুনা লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক লৌখৎননবা দিমান্দ তৌখি।

দিমান্দশিং অদুদি ট্রেনিং তৌরিবা এস আই অমদি এ এস আইশিংনা মখোয়গী পাসিং আউট পেরেদ পীদে হায়বা খোঙজংদা ওজা ওইরিবা ষ্টাফশিংবু ফূবগী থৌওং হকচিন্না লৌই, থৌওংদুগী মতাংদা কেদেটশিং অদুনা পাউচেশিংগী খুত্থাংদা মীয়ামদা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি অমসুং পাসিং আউট পেরেদকী মতাংদা দাইরেক্টর ওইরিবা কে ঐচ চন্দ্রমনিগা নক্কবা মীওইশিংনা শেল খায় হায়রিবদু মশক মমিং খঙহনগদবনি হায়বসিনি।

খোঙজং চঙশিনবদা য়াওবা ষ্টাফ অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, মীয়াম মমাঙদা শা-ষণ ফূবদৌনা ষ্টাফশিং ফূবদা দাইরেক্টরনা তুমিন্না লৈশিনখিবা অমসুং অশোকপশিং করিমত্তা হংখিদবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। থৌওং অদু মমাঙথক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রি। মরম অদুনা ৱাথোক অসি দাইরেক্টর অসিগী অশোয়বা থৌশিলদগীনি।

হৌখিবা মতমশিংদা কোলেজ অসিগী নাপী কক্লনবা মেছিন লৈননবা হাওসি তৌরগা লৈখিদবা, এম পি টি সীগী কন্সট্রক্সনগী মিংদা থিকা লৌরগা ষ্টাফশিংবু শিন্নী ওইনা শীজিন্নবা অমসুং কেদেটশিংবু আউট পাস থাবগী থৌওং অসি পেন্দে। মসিগীসু মথক্তা মেস ফীদগী পার্সেনটেজ লৌবগী থৌওংদসু ষ্টাফশিংনা পেন্দবা লৈরিবনি হায়না মখা তাখি।

অমরোমদা, ঙসি এম পি টি সী, পাঙ্গৈগী টিচিং/ট্রেনি ষ্টাফ অমসুং এস আই অমদি এ এস আই ট্রেনিশিংগা পুন্না ঙরাং থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এল কাইলুন, আই পি এস, ইন-চার্জ আই জি পি ট্রেনিং য়াওনা মীফম অমা ফমখ্রে।

ৱাফম কয়া কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা ঙরাংগী থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নবা ট্রেনি মঙানা এম পি টি সী, পাঙ্গৈগী টিচিং ষ্টাফতা করিগুম্বা কনি দসন অমত্তা থমদনা লাল্লে হায়জখ্রে অমসুং ষ্টাফশিংনসু অদুগুম্বা ৱারোল অদুদা অয়াবা পীখ্রে। মরম অদুদা মায়কৈ অনীনা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুংদা ট্রেনিং কোলেজ অসিগী থবক থৌরমশিং খুদক্তগী হৌরগনি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, আর কে তুতুসনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# সহেনাই খোঙবা কৃষ্ণদাস লৈখিদ্রে

থৌবাল, মার্চ ১৬ : তাজ-সহেনাই (ইসারাজ) খোঙবা শক্লাইরবা ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দি বচস্পতিময়ুম কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম মশাগী অনাবা অমনা হৌখিবা মার্চ ১৪ দা মশাগী য়ুম থৌবালদা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৯৪ শুখ্রে। কুমজা ১৯২২গী সেপ্টেম্বর ২৯ দা থৌবাল অৱাং লৈকায়দা লৈবা বচস্পতিময়ুম পারিজাৎ অমসুং ইবেমহলগী অহানবা মচানুপা ওইনা মালেমদা খোঙদারকখি। ক্লাস ফাইভ ফাওবা তন্নগা সংস্কৃত প্রথমাসু তোঙান্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ঈপাক্তুগী তোৱ্বান্দুদা

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ : কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি প্রেস ক্লবতা য়ুম্নাম নন্দিনীনা ইবা শৈরেং লাইরিক *ঈপাক্তুগী তোৱ্বান্দুদা* ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা প্রো. হুইরেম বিহারী সিংহ, কনভিনর মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিদা চীফ গেষ্ট, ডা. এন দ্বিজমণি সিংহ, সোসল ৱার্কর অমসুং প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র সিংহ, ভাইস-চাঞ্চেল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গেষ্টস ওফ ওনর অমসুং লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ, রেজিষ্ট্রার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লোংজম জয়চন্দ্রনা লাইরিক মশক তাকখি।

# শো রুম হাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ নুপী-অঙাংশিংনা শীজিন্নগদবা শেৎনবা ফিরোল য়াওনা মখল কয়াগী পোৎলমশিং য়োনবা '৬৯' হায়না মিংথোনবা শো রুম অমা ঙসি থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা মনি টৱারগী বিল্ডিংদা নৌনা হাংদোকখ্রে। হায়রিবা ফিরোলগী শো রুম অসি য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ব্রাঞ্চকী রিটয়ার্দ হেদ ক্লাক অরাম্বম তোম্বনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি। শো রুম অসিনা পীল্লিবা চহী ২ গী অঙাংদগী হৌরগা নুপীশিংনা শেৎনবা ফিরোল, খোঙউপ অমসুং অতৈ মখলগী পোৎলম কয়া ফংহল্লি। চাইনাগী হোং কোং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# বোর্দর পিল্লরশিং য়েংশিনখিবা সেন্ট্রেল টিমগী রিপোর্ট পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকউ : ডা. মৈন্য

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দর পরিংগী মণিপুর সেক্টরদা লৈখায় তানদ্রিবা বোর্দর পিল্লরশিংগী সাইট ইন্সপেক্সন চথখিবা সেন্ট্রেল টিম অদুগী রিপোর্ট খুদক্তা পার্লিয়ামেন্টতা থাগৎহন্নবা অমসুং মদু দিবেট তৌননবা এম পি (ইন্নর মণিপুর) ডা. থোকচোম মৈন্যনা ঙরাং লোক সভাদা পুখৎখ্রে।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর দিস্প্যুটকী মতাংদা ডা. মৈন্যগী অনষ্টার ক্বেসন নম্বর ২১৬৫ গী পাউখুমদা প্রিনীত কৌর, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা দিসেম্বর ১৮, ২০১৩ দা পীখিবা মহাক্কী অইবা পাউখুমদা ইনি দয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা বাউন্দরি দিস্প্যুট লৈতে, অদুবু ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দর পরিংগী মণিপুর সেক্টরদা লৈখায় তানদ্রিবা বোর্দর পিল্লর ৯ লৈ হায়খি হায়না এম পি মৈন্যনা হায়খি।

ফোরেন ওফিস কন্সল্টেসনশিং, নেসনল লেভেল মীটিংশিং অমসুং সেক্টোরেল লেভেল মীটিংশিংগুম্বা ইন্সটিট্যুসনেলাইজ মেকানিজমশিংগী খুত্থাংদা বাউন্দরি দিমার্কেসন অমসুং বোর্দর মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা হীরমশিংদা নাকন অনীনা চাং নাইনা ৱারী শানবগী মীফমশিং পাঙথোকই। সর্ভে দিপার্টমেন্ট অমসুং দিরেক্টর (সর্ভে)গী হেদশিংগী থাক্তা মীফমশিং পাঙথোক্তুনা বাউন্দরি দিমার্কেসন, জোইন্ট সর্ভে, বাউন্দরি পিল্লরশিংগী ইন্সপেক্সন অমসুং মেন্টেনেন্সকী মরমদা খন্নে।

মপুং ফাবা মওং অমদা বাউন্দরিগা মরী লৈনবা ৱাথোক পুম্নমক য়েংশিনবা ঙম্নবা ম্যান্মারগা লোয়ননা জোইন্ট বাউন্দরি ৱার্কিং গ্রুপ অমা লিংখৎনবা ৱাফমসু ইন্দিয়ানা হৌদোকখ্রে। ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দরদা খাবগী থবক চথরিবা ফেন্সিং অদু ইন্দিয়ান টেরিটোরি মনুংলোমদা য়াম্না চঙশিল্লে হায়বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং তৌখিবগী পাউশিং হন্দক্তা মিদিয়াদা ফোঙনরকখ্রে। কুইদ্রিঙৈদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# রেষ্টুরেন্টতা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোকখিবী রোমিতা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ কে সী পি পোইরৈ মীতৈ লুপনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নরকখিবী খুরাই অঙোম লৈকায় লাইচীং চীংখোঙদা লৈবী নীংথিবী রেষ্টুরেন্ট মপুগী লোয়নবী লাইশ্রম ওংবী রোমিতা (৪২) ঙসি অয়ুক অঙনবদা রিমসতা লৈখিদ্রে।



মহাক হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯গী অয়ুক পুং ১১.৪০ রোম তাবদা অতোপ্পা মীওই অনীগা নীংথিবী রেষ্টুরেন্ট মনুংদা শকখঙদবা মীওই অমনা নোংমৈনা কাপ্লম্বনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লৈখিদ্রবী লাইশ্রম ওংবা রোমিতাগী মনাওনুপা লাইশ্রম সোমিকান্তনা হায়খি, হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৯ গী অয়ুক পুং ১১.৪০ রোম তারকপা মতমদা মহাক্কী ময়াম্বা অহল লাইশ্রম সেনাপতিগী লোয়নবী লাইশ্রম ওংবী রোমিতা য়াওনা মীওই অহুম নীংথিবী রেষ্টুরেন্টতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোকখি। শোক্লবা রোমিতা খুদক্তা রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়েংখি। নুমীৎ অদুগী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎলকপদা রোমিতা রাজ মেদিসিটি য়ৌদুনা লায়েংবা হৌখিবনি। নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা ইতৈমা রোমিতা ওপরেসন তৌবা মথৌ তাই হায়দুনা হোস্পিটাল অসিদা মথৌ তাবা দাইগ্নোসিস পুন্না পাঙথোকখি। মদুদা অশোকপা অদু থোইনা খুদোংথি-নিংঙাই ওইদ্রে হায়দুনা রাজ মেদিসিটিগী ওথোরিটিনা ফোঙদোক্লবা মতুং নুমীৎ অদুমক্কী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা কিহোল সর্জরি তৌদুনা ওপরেসন পাঙথোকখি।

মথংগী নুমীৎ ফেব্রুৱারি ২০ দা রোমিতা মবুক কংখৎলকই হায়বদগী ওপরেসন অমুক হন্না তৌরগনি হায়না ডোক্তরশিংনা খঙহল্লকখি। মদুদগী নুমীৎ অসিগী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ওপন সর্জরি তৌদুনা অমুক হন্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# পাউচেশিংগী মিং শীজিন্নরগা চেঙ লৌথোকখিবগী ৱাথোক লাক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুরদা শুক্লে লৈতবা, লৈরম্লগা ফোঙখিদ্রবা পাউচেশিংগী মিং শীজি-ন্নরগা শাশিন্নবা খুৎয়েক শীজিন্নদুনা পাউমীশিংগী মিংদা মীওই খরনা কঞ্জুমরস এফেয়র্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টতগী পীরকপা চেঙ লৌথোক্লম্বগী ৱাথোক লাক্লে।

হরান-লানাদা শাশিন্নরগা চেঙ লৌথোক্লম্বসি থাসিগী মনুংদা মীওই খরনা তৌবনি হায়বসি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না খঙলকপনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট, ৱাংখেমচা শমজাইনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শমজাইনা হায়, অমজু অমদি জর্নেলিষ্টশিংগী মীংচৎ থীহন্নবা হোৎনরম্বশিংনা মীয়ামদা লাল্লে হায়না পাউচেগী খুত্থাংদা ফোঙদোক্রবদি লোগী ওইবা এক্সন লৌগনি। অমজুগী মেম্বর ওইরবসু মেম্বরশিপ্তুগী লৌথোক্কনি।

লমদম অসিদা ফোঙখি-দ্রিবা পাউচে কয়া অমসুং মমাঙদা ফোঙলম্লগা ফোঙখিদ্রবা কয়াগী মমিংদসু হৌজিক ফোঙলি হায়জিন্দুনা চেঙশিং লৌথোক্লম্বনি। মমাঙদা অমজুগী মেম্বর ওইরম্বদগী তাম্থোকখ্রবা মীওই অমনা শেন্মীৎলোন অমসুং নোংশাবা হায়বা পাউচেগী মিংদা থা খুদিংগী চেঙ লৌথোক্লমখি। মমিং শীজিন্নরম্বা নুংথিলগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর, সেনিটেসন এৱ্যেরনেস হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): নেসনল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এৱ্যেরনেস ৱীক সেক্রেটরিএটতা লৈবা পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনীয়ারিংগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি দল্লিয়ু এল হংশিংগী ওফিসতা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২২ ফাওবা চথগদবা নেসনল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এৱ্যেরনেস ৱীক হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈগী জোইন্ট সেক্রেটরি ৱোরশং হুংয়ো, এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনীয়র এল ইবোমচা, সী সী দি য়ুগী দাইরেক্টর এল স্বামিকান্ত, সুপরিন্টেন্দেন্ট ইঞ্জিনীয়র ভি শঙ্গ্রেফাও, পি ঐচ ঈগী রুরেল সর্কলগী এস সী আর কে প্রেমী অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী ইঞ্জিনীয়র কয়াসু শরুক য়াখি। মীফম অদুনা নেসনল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এৱ্যেরনেস ৱীক্কী প্রোগ্রামশিংসু লেপথোকখি।

এৱ্যেরনেস ৱীক অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৮ দা হরাওরৌ ভিলেজদা ক্লিনলিনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৯গী অয়ুক্তা পি দল্লিয়ু দি খোয়াথোংগী ওফিস মমাঙদগী রেল্লি অমা লমথাদুনা ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা সেনিটেসনগী পাউজেল শন্দোক্কনি। নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১ তাবদা লম্ফেলদা লৈবা সী সী দি য়ুগী ট্রেনিং হোলদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসু সী সী দি য়ুগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোক্লবসু লেপ্পখি।

সী সী দি য়ুগী দাইরেক্টর এল স্বামিকান্তনা ফোঙদোরকখিবদা স্বাছ ভারত মিসনগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে। চহী চহীগী ওইনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা লু-নান্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। য়ুমথোঙ খুদিংগী লেট্রিন লৈহন্দুনা লু-নান্না লৈনবগী ৱাখল্লোন কয়া খন্ন-নৈনমিন্নবা মথৌ তাই। অফবা থক্লবা ঈশিং হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। ফত্ত হাউদি অমদি অমাঙ-অশোয় মফম চানা হুন্দোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। পাৎ, পুখ্রি, তুরেলশিং মোৎহন্দনা থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# খোঙজোম নুমিৎ থৌরম ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট য়াওগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): মরৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লনবা খোঙজোম লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা খোঙজোম নুমিৎ থৌরমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী শোয়-দনা য়াওরবা য়াবগী থাজবা লৈরে।

চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মমাঙ থাগী ২ দা খোঙজোম নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়াবীনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীবু হৌনবী মতুংইন্না ইনভাইট তৌখি। থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইবীনবা হায়বগা লোয়ননা খোঙজোমগী খেবচীংদা শাগৎলিবা মোন্যুমেন্ট-কম-টুরিষ্ট সর্ক্যুইট শঙ্গাবীনবা হায়জখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থৌরম পরেংশিং অথুবা মতমদা খঙহল্লক্লবা প্রসিদেন্ট ওফিসতগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা চেরোল অমা থারকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ঙাওগদবা ৱা দ্রাফট তৌরগা থারক্লনবা অমসুং থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকা লোয়ননা ফম্মীন্নগদবা মীওইশিং কনা কনানো অমসুং ইনভাইটেসনগী মওং মতৌগী কোপীশিং রাষ্ট্রপটি ভবন্দা থারক্লনবা অকক্লবা ৱাফম হায়রকখ্রে হায়রি।

# বন্দ শৌগৎপশিং তানখায়বদা নুপী ১ শোক্লে, কম্মান্দোগী গাড়ী কায়খ্রে



ককচিং, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সম্রাম লৌকোলদা শিনা ফংখিবা মেমিচাগী মীশিগা মরী লৈননা জেলদা থাজিনখিবা খোমদোনচা কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না নেসনল হায়ৱে নম্বর ২গী সম্রাম লমখায়দা বন্দ চথবশিং তানখায়নবগীদমক পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদা নুপী অমা শোক্লে, কম্মান্দোগী গাড়ী কায়খ্রে।

মেমিচা মীশিগা মরী লৈননা জেলদা থাজিনখিবা এন খোমদোনচা কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না ঙসি অয়ুক মীওই কয়ানা এন ঐচ-২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী সম্রাম লমখায়দা থোরক্তুনা লম্বী থিংখি। মীওই কয়ানা লম্বী থিংখিবা অদু তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি। টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্তুনা তানখায়খিবা অদুদা নুপী অমা টিয়ার গ্যাস সেলনা পানবদগী শোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিাল থৌবালদা লায়কন্নখি। শোক্লবা নুপী অদুদি লোংজম অহনবী (৪০) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এল মুহিন্দ্রো, সম্রাম লমখায়দগীনি। নুপী অদু টিয়ার গ্যাস সেলনা পানবদগী শোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তম্না পুখৎতুনা লায়কন্নখি। থোকচোম রাবৈ কৌবা মীওই অমগী য়ুমদসু টিয়ার গ্যাস সেল তাশিল্লক্তুনা ইমুংদা থাবা ফমুং মৈনা চাকখি। থৌবাল পুলিস কম্মান্দোগী গাড়ী অমা বন্দ শৌগৎপশিংনা নুঙনা থোম্বা অমদি চৈনা কনবদগী অকায়-অতোয় থোকখি। অকায়-অতোয় থোক্লবা গাড়ী অদুগী নম্বরনা এম এন ০১ এক্স ৪৭৮৯ নি।

ঈরাং অদু কনশিল্লকপদগী এদিসনেল এস পি নিমাইনা লুচিংবা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি।

মেমিচা মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী চ্যেরমেন কে জিতেননা ফোঙদোরকপদা, মেমিচা মীশিগা মরী লৈননা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এস এফনা শীল্লগা চথরিবা গন কলচরদা আর পি এফনা নুংনাংবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬: লৈবাক অসিগী নিংতম্বা হঙ্জিনহন্নবা খুৎলাই পায়দুনা চথরিবা অচুম্বা লাঞ্জং অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মসিগী মখাদা লৈরিবা এজেন্টশিংনা নমথননবগী মিংদা গন কলচর লিংখৎলকপদা রেভলুসনরি পিপল'স ফ্রন্ট (আর পি এফ)না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

লুপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি, রোবেন খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌশিল অমা ওইনা নিংতম লানদা অচৌবা শরুক য়াবতা নৎতনা চাউখৎপা ইরৈবাক অমা ওইহনবদা অমসুং তুংগী মায়ওন লেপ্পদা মরুওইবা ফিরেপ/থৌদাং লৌগদবা নহারোলশিংবু খুত্তা হেরোইন নম্বর ফোর কাপ্পবা সেরিঞ্জ ওইনা পীশিন্দুনা নিংতম লানফমদগী নাথৈদুনা পুনবা লাক্লরি অমসুং লৈবাক অসিগী তুংগী মীরোল কয়া খুন্তাক লানশিনবা থৌরাংলি।

থৌশিল অসিনা মরম ওইদুনা লমদমসিগী নহারোল কয়া ঐচ আই ভি/এইদসনা হাৎখ্রে, কয়ানা লায়না অসিগা শাগোন্নদুনা শিরুম-নারুম হিংলি। ময়ায়কাবা চীঞ্জাক্লা লায়চুরবা মীরোলশিং অসিনা মশা মাঙজখিবতা নৎতনা খুন্নাইদা মাঙনবগী মশক ওইরবা ফত্তবা লীচৎ-শাজৎ কয়া হায়বদি, ফন্নানবা, হুরান-চীন্থী, মীফা-মীপুন, লন-থুম লাকপা-মুনবা, অসিদগী হেনবা কয়া অমা চথদুনা অকি-তুজুংবনা থল্লবা, লৈতাফম খঙদ্রবা খুন্নাই ওইনা হিংহল্লি হায়না মরাল শীরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিল্লিগী থৌশিল অসি খঙবদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### FOREX (INDIA RUPEES)


| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 74.520826 |
| US Dollar | 67.246362 |
| British Pound | 94.772704 |
| Australian Dollar | 50.102914 |
| Chinese Yuan | 10.311142 |
| Japanese Yen | 0.592545 |
| Malaysian Ringgit | 16.196262 |
| Nepalese Rupee | 0.625106 |
| Russian Ruble | 0.949777 |
| Singapore Dollar | 48.676434 |
| South Korean Won | 0.056357 |
| Bangladesh Taka | 0.85886 |
| Myanmar Kyat | 0.05536 |
| Thailand Baht | 1.919867 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29,400 |
| Delhi | – | Rs 29,360 |
| Kolkata | – | Rs 29,380 |
| Mumbai | – | Rs 29,340 |

### অস! লোইরেহে!

পাসিং আউটসি থুনা তৌরদি ফদৌবা !



থাবল চোংফমদা অফাও শাগে খনবগী ওইরমদৌ মাল্লিদা ...!